## অন্দর-১৮ এসিয়া কপ হোকি

# ইবুংঙো সিংহ কোঙ্গেংবমগী হেটট্রিক্কা ইন্দিয়ানা ওমনবু ১১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ধাকা, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ ইন্দিয়ানা মফম অসিদা চথুরিবা অন্দর-১৮ এসিয়া কপ হোকি টুর্নামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী অনীশুবা মেচতা ওমনবু ১১-০ দা মায়থীবা পীদুনা নোক-আউট রাউন্দদা চঙননবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা ইন্দিয়ানা ফুল পোইন্ট ফংবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী ওপনিং মেচতা যূম্বু বংলাদেশকী মখূৎতা ৪-৫ দা মায়থীহৌখিবনি।

অনীশুবা মেচ অসিদা ইন্দিয়াগী প্লেয়র অহুমনা হেটট্রিক ফংখি। মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চঙননবগী খুদোংচাবা লৈহনখিবদা নত্তনা ইন্দিয়ানা যূম্বু বংলাদেশকা গোল দিফরেন্স য়েংনরকপা মতমদা চাউনা খেন্নবসু লৈখ্রে।

ইন্দিয়ানা মেচ হেক হৌখিবগা মায়োক্নখিবা ওমনগী সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল এটেম্পশিং তৌবা হৌখি। ৱান সাইদদে ওইনা চথুখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন সঞ্জিপ এক্সেসনা মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা গোল ওন্থোক্তুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মখা তানা ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা সাইদতা তকখৎখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৫ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা অমুক্কা হন্না এক্সেসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা লৈখি।

গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী অভিসেকনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। ওমনসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক কাউন্টর এটেকশিং তৌখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে। ইন্দিয়াদি হনবা লৈতনা অকনবা প্রেসর পীদুনা মখোয়গী ওপোনেন্টকী সাইদতা চঙশিনখি।

মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা সিবম আনন্দনা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা গোল অমা, ইবুংঙো সিংহ কোঙ্গেংবম্না মেচকী মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা গোল অমা অমসুং মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা দিলপ্রিটনা গোল অমা চন্দুনা ইন্দিয়ানা ৬-০ দা অমুকসু হন্না মাঙজিল থানা চৎখি।

মেচ অদুদা ওল রাউন্দ পার্ফোমেন্স পীদুনা মশক থোক্না শান্নখিবা দিলপ্রিটনা সেকেন্দ হাফতা গোল অনী চনশিন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। সেকেন্দ হাফকী মিনিট ৫৩ অমদি ৬৮ চৎপা মতমদা দিলপ্রিটনা গোল অমমম পূন্না অনী চনখি।

ইন্দিয়ন সাইদতা কেপ্তেন এক্সেসসু মহাক্কী অহুমশুবা ওইনা মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ইবুংঙো সিংহ কোঙ্গেংবম্না মেচকী মিনিট ৪০ অমদি ৬২ চৎপা মতমদা গোল অমমম পূন্না অনী চনখিদুনা হেটট্রিক ফংখি। ইন্দিয়ানা ওমনবু য়াম্না লায়না ১১-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা মায় পাকখিবগা লোয়নননা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

## প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ইন্দিয়ন পরালেম্পিয়নশিংবু থাগৎখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখিবা রিও পরালেম্পিক্সতা মেদল লৌরকখ্রবা ইন্দিয়াগী পরা এথলেটশিংবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা পরা এথলেটশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা মতিক চাবা স্কিমশিং পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মোদিনা থাগী ওইনা রেদিওদা ঙাঙখিবা মন কি বাদ থৌরমদা হায়খি, লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ঐখোয়গী পরালেম্পিক্সকী শান্নরোয়শিংবু ঈকাই খুম্নবা উৎলি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মখোয়গীদমক মতিক চাবা স্কিমশিং পায়খৎতুনা হেন্না চাওখৎপা লন্বীদা পুশিল্লক্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়খি, রিও পরালেম্পিক্স গেমসতা এথলেট ১৯ না শরুক য়াখি। মখোয়গী মনুংদা অহুমদি নুপীনি। মখোয়না গেমস অদুদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্সশিং পীখি। ঐখোয়গী প্লেয়রশিংনা মখোয়গী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু পীখি অমদি পরালিম্পিক্স অদুদা গোল্ড অনী, শিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা পূন্না মেদল মরি লৌবা ঙমখি হায়না মহাক্না মহাক্কী ২৪ শুবা মন কি বাদকী ইপিসোদ অদুদা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী মীওই খরখক্না ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জশিংনা পরালেম্পিক্সতা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখি হায়বা খঙলি। হন্দক্কী পরালেম্পিক্স অসিদা জেনরেল ওলেম্পিক প্লেয়রশিংনা থমখিবা রেকোর্দশিং থুগাইবসু ঙমখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অলজেরিয়াগী অবদেল্লাটিফ বাকানা মিটর ১৫০০ গী ফাইনেলদা অনৌবা পরালেম্পিক্সকী ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখি। মহাক্না গেমস অদুদা ১.৭ সেকেন্দ চেন্দুনা রিও ওলেম্পিক্সতা থমখিবা রেকোর্দ অদুদগী হেন্না য়াংনা চেন্দুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখিবনি।

## জিরিবাম লীগতা য়ু দি সিনা আর সি সি মায়থীবা পীখ্রে



জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ২৫ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা তরুকশুবা পি টিলোটমা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু দি সি মায় পাকখ্রে।

টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা থার্দ দিভিজনগী ঙসিগী মেচ অদুদা য়ু দি সিনা আর সি সি গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা য়ু দি সিনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা আর সি সিনা বোল পায়দুনা শান্নবা হৌখি। মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নরকখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা মায়কৈ অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৬৬ শুবা মিনিটতা অবু হাসন্না টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।




HL-B/3310/09/09-08/10


## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২২

1. এসিয়ন গেমসদা সনাগী মেদল খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ইন্দিয়া মচা অমগী মমিং হায়য়ু। মহাক্না ফংখিবা সনাগী মেদল মশীং কয়ানো?
2. মণিপুরগী মমিং চৎপা ঈশৈ ময়েক ইবা শান্নরোয় অমা আসামগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখি, মহাক্কী মমিং হায়য়ু?
3. বলগেরিয়াগী শান্নরোয় অমা টর্কিদা ময়ূম হোংলক্নবা বলগেরিয়া গভর্ণমেন্টদা টর্কিনা দোল্লর ১,৫০,০০০ পীখি। মালেম ফাওনা মমিং চৎখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?
4. ওলেম্পিক্কী অহানবা নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখিবা নুপীদু কনানো?
5. বেদমিন্টনগা মান্নরপ তৌবা কোর্ট অমদা মায়োক্নবা শান্নরোয় অনীনা রিং অমা হুন্দুনা শান্নববু করি মমিং কৌই?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


লেংশিনবিরকউ/
[Meitei Mayek script]
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম : অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স






HL-B/3284/29/8-28/09

